# বন্তি চোংথামনা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী লেদিস সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা চথরক্লিবা ৩৮শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী লেদিস সিঙ্গলস ইভেন্টতা বন্তি চোংথামনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



ঙসি অয়ুক শান্নখিবা লেদিস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা বন্তি চোংথামনা এন চারমিবু ৬-১, ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।
বন্তি নাগামাপাল ফৌগাইশঙবম লৈকায়দা লৈবা চোংথাম রতন সিংহ অমসুং চিরোম সুনিতা অনীগী অনীশুবা মচানুপীনি।
মহাক হৌজিক হৌজিক শওঙ্গুংগী বিরমঙ্গল কলেজতা ফিজিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা থার্দ সেমিষ্টর তম্লিবী মহৈরোইনি।
বন্তিনা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট টুর্নামেন্টশিং অমদি এনই চেম্পিয়ন্সিপ্তা ২০১৩ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা লেদিস সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইদুনা লাক্লি।
বন্তিনা ফোঙদোরকখিবদা চহি অসিগী ওগষ্টকী ১০দগী ১৫ ফাওবা মীজোরামদা পাঙথোকখিবা টেন্নিস লীগ অমদা আইজল ক্লব বুলস রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অদুনা নোলেজ কয়ামরুম ফঙবা ঙমখি। লীগ অদুদা ইন্দিয়াগী রেঙ্কিং ৱাংনা লৈরিবী স্বেতা রানা অমসুং রিসিকা সঙ্কারাগা লোয়ননা শান্নমিন্নখি।
মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ১৫দগী হৌদুনা হারিয়ানাগী করনালদা আইতা ব্রুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগী থা অসিগী ১২দা ইম্ফাল থাদোরক্লগনি।
মখা তানা থা অসিগী ২৪ দা কারনালদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অমদি চান্দিগরদা ওক্টোবর ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ মথং-মথং শরুক য়াগনি।
অতোপ্পা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা রাহুল পামৈনা বিকি শগোলশেম্বু ৬-১, ৬-১ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা টি ব্রোজেন্দ্রোগা এন প্রেমজিৎপু ৬-৪, ৬-১ দা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মায়থিবা পীখি।
রাহুল অমসুং প্রেমজিৎ নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাইনেল মেটচ লম্বা তৌনরগনি।
চহি ৫০ মথক্কী নুপাগী দবলসকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রঞ্জিৎ অমসুং তোম্বগী পিয়রনা বোবি অমসুং প্রকাসকী পিয়রবু ৬-৩, ৪-৬ (১০-৭) দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি পামৈ অমসুং ও নবকিশ্বরগী পিয়রনা সরত অমসুং ইবোয়াইমগী পিয়রবু ৬-১, ২-৬ (১০-৫) তা মায়থিবা পীখি।
চপ মান্নবা কাংলুপকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা লৈশেম্বা অমসুং কুবেরগী পিয়রনা তুলেশ্বর অমসুং ইবুংঙোমচাগী পিয়রবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি।
অদুগা ৱাই ইবোতোম্বী অমসুং ঐচ ইবোতোম্বী অনীগী পিয়রনা দেবেন অমসুং ইবোচা লাক্তবদগী ৱার্ক ওভর ফঙদুনা মায় পাকখি।

## য়াইস্কুল কাংখুৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
ইবুধৌ ৱাংপুরেল খানা চাওবা কাং কম্মিটিনা শীন্দুনা কোংবা মখা নাদেবম লৈকায় লাইকোনদা চথরকক্লিবা ৫শুবা থোঙাম শাজৌ নিংশিং মিক্স কেন্দ্র-ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি থোংজু কেন্দ্র কাং খুৎ অনীনা থা অসিগী ৯দা লম্বা তৌনরগনি।
ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কাং খুৎনা ওইনাম কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৯ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।
নিংশিংবা য়াবদি শগোলশেম নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থোংজু-এ কাং খুৎনা কোন্থৌজম কাংখুৎপু পাঞ্জল ১দা মায়থিবা পীখিবনি।

## ভুসন হাওবমনা আইতা সুপর সেরিজ চহি-১৬ নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
ওল অসাম টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জোরহাৎ টেন্নিস ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী অহুমদগী হৌদুনা চথরকখিবা ওএনজিসি-আইতা সুপর সেরিজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ফোর অন্দর -১৬ বোইজ এন্দ গার্লসকী নুপামচাগী কাংলুপ্তা ষ্টেট অসিগী প্লেয়র ভুসন হাওবমনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



নুপামচাগী চহি ১৬ মখাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ভুসন হাওবমনা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৪ গী রেঙ্ক ৱান অসামগী ওদিট গোগোইবু ৬-৭, ৬-২ অমসুং ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

## নুমিৎ হুমনি চথরকপা হুইলচেয়র বাস্কেটবোল ইন্ত্রোদক্তরি কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
ষ্টেট অসিদা পেরা স্পোর্টস চাওখৎহনবগী অমদি দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংবু হকচাং ফানা থম্মবগী পান্দমদা হুইলচেয়র বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর গভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফিয়র অমদি য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং সিসু সরোদিগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা হুইলচেয়র বাস্কেটবোল ইন্ত্রোদক্তরি কেম্প ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখ্রে।




ষ্টেট অসিগী দিফরেন্টলি এবল পর্সন ২৫ নুপা ২০ অমসুং নুপী ৫না শরুক য়াখিবা কেম্প অসিদা মহারাষ্ট্রগী পুনেদগী সুভারনা লিমে অমসুং করনাটাকাগী বেঙ্গলোরদগী লি-রোই সাইমন অনীনা কোচ ওইদুনা তাকপী-তম্বীখি।
লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুইলচেয়র বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরী কালিয়ানি রাজারমননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা পেরা স্পোর্টস চাওখৎহনবা অমদি হুইলচেয়র বাস্কেটবোল অসিবু প্রমোট তৌনবা অমদি দিফরেন্টলি এবলশিংবু মশা-মউ ফানা থম্বদা মতেং ওইনবগী পান্দমদা ষ্টেট অসিদা কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী সোসিয়েল ৱেলফিয়র মিনিষ্টরনা শান্নরোইশিং অসিগী হুইলচেয়র অমদি ইক্যুপমেন্টশিং লৈগনি হায়না এসুরেন্স পীরকপা অসি ফেদরেসনগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইবতা নত্তনা মমাংদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী কেম্পতা সরকারগী ওইবা কোর্পরেসন অসিগুম্মা অমত্তা পীরক্ত্রি।
কেম্প অসিদগী নুপী অনী য়াওনা শান্নরোই ১০ খনগৎতুনা থা অসিগী ২০দগী ২৩ ফাওবা তামিলনাদুগী ইরোৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা নেসনেল হুইলচেয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক দরকার তাবা টেক্নিকেল সাপোর্টশিং ফেদরেসনগী মাইকৈদগী মতেং পাংগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।
অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরী বোবি ৱাইখোম্না ফোঙদোকখিবদা খুমন লম্পাক্কী এক্কর ১৪৩ পাক চাওবা মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিন ২৭না শান্না খোৎনবগী থবক থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিদা পেরা স্পোটসকীসু মফম অমা কনবা অথুবা মতমদা রুলস এন্দ রেগুলেসন শেমদুনা শান্নরোইশিং দা কান্নবা ফঙহনবা হোৎনরগনি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শান্না খোৎনবা হায়বসিমক্তবু মমা-মপাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবশিং অদু লৈবনা ঙসিগী কেম্প অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংগী মমা-মপাশিংনসু হেন্না অচৌবা থৌদাংশিং লৌবীদুনা ষ্টেট ৱার্ল্ড এরিনাদা ষ্টেটকী প্লেয়রশিংনা দোমিনেন্ট তৌদুনা লৈনবগী অপাম্বশিং ফোঙদোকখি।
লোইশিনবগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্টর অমস্ত্রোং পামৈনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।
লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রেদ ক্রোর্স সোসাইটিগী থৌমীশিং, সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং অমদি মমা-মপাশিংসু শরুক য়াখি।

## জেৱাইসিনা মোকম্লুং এফসি মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা এন হরিচন্দ ত্রোফি ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা জেৱাইসি জাইরোলপোকপীনা মোকম্লুং এফসিবু গোল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না শরুক য়ারি।
মায় পাকপগী গোলশিং অদু দরলিনশাংনা শান্নবগী ১৬ অমসুং ৩০ শুবা মিনটতা গোল ২, লালচোংলিননা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা গোল অমা, পাওলিয়েনশাংনা শান্নবগী ৫৬ অমসুং ৫৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা ভালটিনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা গোল ২ চনবা ঙমখি।
হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা পিএসজি লুংগ্রেজাং অমসুং সিৱাইএফসি লোবোখল শান্নরগনি।

## সাইক্লিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
হারিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা নভেম্বর ২১দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৩শুবা সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র নেসনেল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিম শেম্নবগীদমক থা অসিগী ২৩দা লমদেংদা অয়ুক পুং ৭তা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসননা খঙহল্লক্লি।
শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরীদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।
অতোপ্পা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫শুবা সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র নেসনেল মাউন্টেন বাইক চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিমগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৬ অয়ুক পুং ৭তা অৱা চিং (বারুনি) দা পাঙথোক্লগনি।

# ভেনিকা অমসুং কুঞ্জারানি সব-জুনিয়র গার্লস নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা চথরকখিবা নাগপুর মেয়র্স কপ অহানবা সব-জুনিয়র গার্লস নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেটকী বোক্সর অনী য়ুম্নাম ভেনিকা চনু অমসুং থোকচোম কুঞ্জারানি চনু অনীনা কেজি ৩৮ অমসুং ৫৪ কাংলুপকী গোল্ড মেডলশিং লৌবা ঙমখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা গোল্ড ২, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফঙদুনা ওভর ওল টিম রন্নর্স অপকী মনা ফঙবা ঙমখি। অদুগা হারিয়ানা টিমনা ওভর ওল টিম ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।
ষ্টেটকী বোক্সর ৱাংজম ইথোইবী চনুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী বেটচ চেলেঞ্জরগী মনা ফঙবা ঙমখি।
ঙসি শান্নখিবা কেজি ৩৮গী ফাইনেল বাউটতা য়ুম্নাম ভেনিকানা হারিয়ানাগী পারিনিতা মায়থিবসি পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।
অদুগা কেজি ৫৪গী কাংলুপকী ফাইনেল বাউটতা থোকচোম কুঞ্জারানিনা মহারাষ্ট্রগী মধুরাম মায়থিবা পীখি।
কেজি ৪৮গী কাংলুপকী ফাইনেল বাউটতা হুইদ্রোম গ্রেভিয়া দেবী উত্তরখান্দগী নিভেদিতা কারকিগী মখুৎতা মায়থিদুনা লিভর মেডল ফঙবা ঙমখি।
অদুগা কেজি ৫০গী কাংলুপকী ফাইনেল বাউটতা হারিয়ানাগী খুসিনা ৱাংজম ইথোইবী চনুবু পোইন্ট য়াম্না নক্কনা মায়থিবা পীখি।
নিংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী নুপী বোক্সর ১২না শরুক য়ারকখিবদা বোক্সর ৯না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি। অদুগা মখাতানা বোক্সিং ৬না সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি। সেমি ফাইনেল বাউটতশিংদা বোক্সর ২ মায়থিহৌদুনা বোক্সর ৪ ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।
ষ্টেট টিম অসিদা কেএসঐচ সরত সিংহনা মেনেজর অদুগা এম শ্যামচন্দ্র সিংহ অমসুং এন চিতরঞ্জন সিংহ অনীনা কোচ ওইনা শরুক য়াখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র মেন্সকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা চথরকপা ২৭শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র মেন্সকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা শান্নরোই ৮না ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম-শাবা লোইখ্রে।



ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল ঙাম্বোইবা, ৱাই প্রেমচন্দ্র, কে ননাও, দব্লিউ নেত্রজিৎ, এম মাধোপ, সিঐচ অরুন অমসুং বিষ্ণুপুরগী জি সুবাসনি।
ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল ঙাম্বোইবনা থৌবালগী কেএসঐচ জোসেপ্পু সেট ২-০( ২৫-১৬, ২৩-৩) দা অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই প্রেমচন্দ্রনা ইম্ফাল ইষ্টকী এ রবিচন্দ্রবু সেট ২-০(২৫-৭, ২৫-১৮) দা মায়থিবা পীখি।
বিষ্ণুপুরগী জি সুবাসনা ইম্ফাল ইষ্টকী আর কে অমরজিৎপু ২৫-৫, ২৫-১৬ দা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে ননাওনা বিষ্ণুপুরগী কে গিতনবু ২৫-৩, ২৫-০ দা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিউ নেত্রজিৎনা ইম্ফাল ইষ্টকী তাইবংঙাম্ববু ২৩-০, ২৪-৬ তা মায়থিবা পীখি।
অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম মাধোপনা থৌবালগী পি সঞ্জিৎকুমারবু সেট ২-০ (২৫-০, ২৫-০) দা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিঐচ অরুননা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী এ অদিতিয়াবু সেট ২-১ (১৪-২৫, ১৮-৪, ২৫-৮) তা মায়থিবা পীখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ভেটরান সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অমদি সেনিয়র মেন্সকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং অয়ুক পুং ১০দগী হৌদুনা শান্নরগনি।

## ৱাঙ্গোই কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
শিংজমৈ কাংখুৎ চিংঙামথকনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৭শুবা মাংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুইন্যবটি নিংশিং মিক্স লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শিংজমৈ কাংশঙদা শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী লীগ মেটচ অমদা ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৭-১৬তা মায়থিবা পীখ্রে।
টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৪না গ্রুপ-মরি থোক্তুনা শরুক য়ারি।
হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচ অমদা শিংজমৈ-বি কাংখুৎ অমদি হৈঙাং কাংখুৎ অনীনা শান্নরগনি।

## এসএৱাইসি-এ সোরোক অতিংবী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা চথরক্লিবা ২১শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-এগী লীগ মেটচ অমদা এসএৱাইসি-এ সোরোক অতিংবী কাংখুৎনা ৱাইএলসি দিবোং খুনৌ কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৩-১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।
হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ -বিগী লীগ মেটচ অমদা এলইসি-এ বাবুপারা অমসুং এমআইটিএল জিরিবাম অনীনা শান্নরগনি।

## ষ্টেটকী নুপীমচা ফুটবোল্লর ৬ খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
মোঙ্গোলিয়াদা থা অসিগী ১৫দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি অন্দর-১৬ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ -১ দা ইন্দিয়ান অন্দর-১৬ ৱুমেন্স টিমদা শরুক য়ানবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ষ্টেট অসিদগী নুপীমচা ফুটবোল্লর ৬ খল্লক্লে।
খল্লক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি এন প্রিয়াংকা দেবী, টিঐচ কৃটিনা দেবী, এস লিন্দা কোম, ঐচ সিলকি দেবী, ভুংলোমচিং অমসুং এনজি পিনকু দেবীনি।

## লৈশাংথেম রোবার্ট মোরে মীয়াম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
ষ্টেট অসিগী বোদি বিল্ডর লৈশাংথেম রোবার্টনা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ইন্দিয়া টিমদা য়াওরকপদা মোরে মাইকৈরোমদা লৈবা সিএসওশিং অমদি প্রজাশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।
পনবা য়াবদি রোবার্ট নিঙোমথোংদা লৈবা রোয়েল জিমগী ওঝা ব্রোজেন্দ্রোগী লমজিং মখাদা শান্নবা হৌরক্তুনা ইং ২০১৩ দগী ২০১৮ ফাওবদা ষ্টেটকী থাক্তদগী হৌরগা ইন্টরনেসনেল থাক ফাওবদা পুন্না মেডল ১৫ রোম ফঙবা ঙমখ্রে।
ওকপগী থৌরম অদুদা মীয়াম্না রোবার্টপু পুক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা মোরে লমদম অসিদা মহাক্না লুচিংদুনা অফবা বোদি বিল্ডর কয়া পুথোরকপা ঙম্বা ওইরসু হায়না ফোঙদোকখি।

## ষ্টেট বোদি বিল্ডিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ঃ
বিহারগী কোনুং পট্টনাদা থা অসিগী ৮ অমসুং ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫শুবা মিষ্টর ইষ্ট ইন্দিয়া মেন্স ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মীওই ১২না শাবা ষ্টেট বোদি বিল্ডিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।
ষ্টেট টিমগী শাফবশিং অদুদি-এম সঙ্কর মরিং অমসুং এমদি বেলান (৫৫ কেজি), মাইমোম হেরোজিৎ (৬০ কেজি), নেপ্রম ধনাশ্বর অমসুং হিদম গানাশ্যাম (৬৫ কেজি), ৱাংখেম মহেস ( ৭০ কেজি), সনশম অনন্দ অমসুং সঞ্জেনবম মালেমঙাম্বা (মেন ফিজিক) নি। অদুগা ওফিসিয়েল মরি অদুদি এম দেবেন অমসুং এনজি নবচন্দ্র (টিম মেনেজর), আই বিপিন অমসুং ই ইনাও (টিম কোচ) নি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*